ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, মার্চ ০২, ২০২০, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৩৩২শুবা মশীং

# থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপা

## ওন্ট্রপ্রেনিয়র মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনবনা অৱাবা কোকহনবা ঙমগনি

ইন্দিয়াদা হৌজিক থবক ফংদবা মীগী মশীং মিলিয়ন ৪০৬ য়ৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। সেন্টর ফোর মোনিটরিং ইন্দিয়ন ইকনমি (সী এম আই ঈ)গী রিপোর্টনা হায়, মশাগী চহী ২০ অমসুং ২৪গী মনুংদা লৈবা নহারোল চাদা ৬৩ থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়না পল্লদুনা সী এম আই ঈগী রিপোর্টনা হায়, পাক্লবা সমুদ্রগী ঈয়ায়দা হিরোয় য়াওদ্রবা হিনাউ কয়া নুংশিৎনা হুন্বা মায়কৈদা চৎপগুম থবক ফংদ্রবা নহারোল কয়া লৈতাফম খঙদ্রবা পূন্সি মহিং অমদা হিংলি। সী এম আই ঈনা য়ূমথোং অয়াম্বদা চঙদুনা সর্ভে চৎথরগা ফোঙলকপা রিপোর্টনা হায়, গ্রেজুয়েটশিং থবক ফংদবগী চাং চাদা ১৮.৫ ওইরি। অর্বান এরিয়াদা থবক ফংদবগী চাং চাদা ৯ অমসুং রুরেল এরিয়াদনা চাদা ৬.৮ ওইরি। নুপাগা য়েংনবদা নুপীনা থবক ফংদবগী চাং ৱাংলি। ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা নুপীশিং থবক ফংদবগী চাং চাদা ১৭.৫ নি। নুপাগীনা চাদা ৬.২নি। অর্বান এরিয়াদা নুপীশিং থবক ফংদবগী চাং চাদা ২৬ ওইরি। গ্রেজুয়েট লোইরবা অমসুং মশাগী চহী ২০ হেল্লবা মীওই মরিগী মনুংদা মীওই অমা থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। হরবার্দকী মহৈরোয় অনীনা থিজিল্লবা মতুংদা ফোঙলকপা "জেন্দর ইনক্লুজন ইন হায়রিং ইন ইন্দিয়া" হায়না মিংথোনবা রিপোর্ট অমনা হায়, লৈবাক অসিগী অর্বান এরিয়াদা লাইরিক-লাইশু হৈরবী অমসুং থবক তৌবা য়াবগী চহী মতাংদা লৈরিবী নুপী চাদা ৮.৭ থবক ফংদ্রি। নুপাগী ওইনদি চাদা ৪ খক্তনি। থবক ফংদবগী চাং নুপীনা হেনবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। অদুম ওইনমক পব্লিক সেক্টরদবু ওইরবসু, প্রাইভেট সেক্টরদবু ওইরবসু জেন্দরদা য়ুম্ফম ওইরগা মীচঙ-মীখায় নাইবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়জরগসু থবক ফংদবগী চাং অসুম-অসুম ৱাংখৎলকপগী মতাংদা ওপোজিসন লীদরশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মতাংদা মীয়ামগী মীৎয়েং থৈদোক্লবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরদুনা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা হায়খি, লাইরিক নীংথিনা হৈরবা নহারোল কয়া থবক ফংহনবা ঙমদ্রিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। থবক ফংদবগী চাং খূদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ৱাংখৎলক্লবসু লৈঙাক্লা হীরমসিদা মীয়ামগী মীৎয়েং থৈদোক্লবা হোৎনরে হায়নসু মহাক্লা মরাল শীখি। চেন্নাইদা পার্কিং এটেন্দেন্টকী থবক কৌবদা মীওই ১,৪০০ না এপ্লিকেসন পীশিল্লকপদা মীওই চাদা ৭০না গ্রেজুয়েট ওইরগা মীওই চাদা ৫০না এঞ্জিনীয়র ওইরম্বা থেংনখি।

মণিপুরগী ওইনসু হৌখিবা নবেম্বর থা ফাওবদা থবক ফংদবা মীওই ত,৩৪,৮২৭ হেন্না লৈরে হায়রিবসি লাইবক থীবনি। দিরেক্টোরেট ওফ ইমপ্লোয়মেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা নবেম্বর থা ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা থবক ফংদ্রিবা নুপা ২,২৭,২৪৭ অমসুং নুপী ১,০৭,৫৮০ লৈরে হায়রি। ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা মিং চল্লক্তবা মীওই কয়া অমসু শোয়দনা লৈরমখিগনি খল্লি। চহী খূদিংগী থবক থিরিবা মীওই কয়ানা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা রেজিষ্টর তৌরকপগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীওই ৩৩২, ইম্ফাল ইষ্টকী ২৬৪, থৌবালগী ১৩৯, বিষ্ণুপুরগী ৪৫, চুড়াচান্দপুরগী ৩৩, উখ্রুলগী ২৩, সেনাপটিগী ১৯, তমেংলোংগী ৩১ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা মীওই ২৫ রেজিষ্টর তৌরকখি। ফিজিকেল হেন্দিকেপ ৫ অমদি য়ু ঈ আই এন্দ জি বি কাঞ্চিপুরগী ১০ থারগা দিসেম্বর থা খক্তদা রেজিষ্টর তৌরকখিবা মীওই পূন্না ৯২৬নি। মতম শাংনা থবক ফংলক্তবদগী নীংবা কায়দুনা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা রেজিষ্টর/রিনিয়ু তৌরক্তবা নৎত্রগা থবক তৌবা য়াবগী চহী মতাং হেনখ্রবা মীওই কয়াসু লৈরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। লৈঙাক্লা নহারোলশিং থবক পীবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু থবক ফংদবগী চাং অসুম-অসুম ৱাংখৎলক্লিবসি লাইবক থীবনি। খূদোংচাদবা অসিদগী কোকহন্নবগী মতাংদা নুপী ওন্ট্রপ্রেনিয়র মশীং হেনগৎহনবা মথৌ তারে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোত পীরি। বেন এন্দ কম্পনি অমসুং গূগলনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, মশানা মশাবু থবক পীজবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই কয়াদসু থবক পীবা নুপীগী মশীং হেনগৎহল্লবদি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ১৭০ থবক ফংহনবা ঙমগনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা এন্টরপ্রাইজ চাদা ২০ নুপীনা মপূ ওইরি। অদুবু হায়রিবা য়ুনিটশিং অসিদা মীওই মিলিয়ন ২৭ হেন্না থবক তৌরি। নুপী ওন্ট্রপ্রেনিয়র মশীং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা ৱাফম পল্লদুনা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, নুপী অয়াম্বা থবক মফমদা এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দেটা প্রোসেসিংগী থৌদাং লৌরি। হৌজিক্তি আর্টিফিসল ইন্টলিজেন্স (এ আই) অমসুং অতৈ টেক্নোলোজি কয়া চাওখৎলকপা মরম্না দেটা প্রোসেসিং তৌনবা মী নেকপগী মথৌ তাররোই। অদুনদি হান্না থবক তৌরিবা নুপী কয়াসু থবক লৌথোরকপা য়ানা লৈরে। নোংমা-নোংমগী মীশীং হেনগৎলকপা মরম্না থবক ফংদবগী অৱাবসু অসুম-অসুম হেনগৎলক্কদৌরি। পূম্নমক অসিগী য়েংলগা মশানা মশাবু থবক পীজবা মীগী মশীং হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোক্লে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫

১। ইবুধৌ পাখঙবনা কংলাদা পানবা কুম মমাঙদগী মোইরাং লৈবাক্তদি নিংথৌ পান্দুনা লৈরবনি। পাখঙবনা খৃ: তুং ৩৩দা ফম্বাল কাবদগী চৈথারোল কুম্বাবদা লাচনবদু মোইরাংগীদি খৃ: মাঙ ৫২দগী লাচনখিবগী ৱা ফংই।

(ক) পাখঙবগী ফম্বাল কাবা মতমদা পাল্লম্বা মোইরাং নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে?

(খ) মোইরাং নিংথৌ অদুগী হাক্তক্তা শায়োন ৭কী অহানবা হেঞ্জুনহা লাইরৌরেন্বী পোকখি। হেঞ্জুনহাগী মমাগী মমিং করি কৌবগে?

২। "নুংথিল পাখঙ খোঙচৎ লোইরক্লে। ৱাংমা লাল্লক্লে। মন্না মুখ্রিবা ৱাংমা তোর্ব্বাননি।" পরেং অহুম অসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "পৈশানা ঙমদবা করি লৈ/শেলদা পীয়ু... সত্য ঐ তৌগে।" ৱাফম অসিমনা "শ্রী তোম্বা অমসুং কৈ" হায়বা দ্রামা অদুদা শ্রী তোম্বনা হায়রিবনি। দ্রামাদু কনানা ইবনো?

৪। "কথোকপা, অখাঙ কনবা, অমদি মীনুংশি লৈবগী মতিক কল্লক মিহৌবা, অশাওবা, ৱারৌবসু নুপীদা লৈ।" ৱাফম অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা মাগী ৱারীমচা অমদা হায়রিবনি। ৱারীমচাগী মমিংদু হায়য়ু।

৫। "হায়য়ু লৈরাং শকহেনবী ও! করি পুকচেন্নো/মিৎচি তেন্না থাবিদুনা খোইমু থম্মোয় চাকহনবদি।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা অরিবা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৈবাক লৈশাদগী পোকহল্লকপা পান্বীগী লায়নাশিং ঙাকথোকপা

ডো. এম থোইথোই সিংহ

লৈবাক লৈশাদগী পোকহল্লকপা পান্বীগী লায়নাশিংবু ঙাকথোক্লবা মখল কয়াগী পান্বৈশিং শীজিন্নৈ। পান্বৈশিংদুগী মনুংদা কালেন্দা লৈচং লৈনা খোইদোক্তুনা লৈবাকপু নুংশা চাহনবা, প্লাষ্টিক সিথনা খুমজিন্দুনা লৈবাক লৈশাবু শাবগী চাং হেনগৎহন্দুনা লৈবাক্তা লৈজরম্বা হিঙকুপশিং হাত্তোকপা, মনিল ওইনা থাদোকপা ঙম্বা হীদাক লৈবাক্তা চায়থোকপা (সোইল ফ্যুমিগেসন), মখল কয়াগী হীদাক চায়থোক্তুনা মখল কয়াগী হিঙকুপশিং (মাইক্রো ওর্গানিজমস) হাত্তোকপা অমসুং পান্বীদা মাঙহল্লিবা মখল কয়াগী কোকফাই, বেক্টরিয়া, নেমাটোড অমসুং তীলশিং হাত্তোকপা ঙম্বা কোকফাইশিং শীজিন্নবসি মরু ওইনা অয়াম্বা লৌফমশিংদা চত্থনরি।

থৌরমশিংসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবসি নুংশা চাহনবসিনি। অদুবু চাওখৎলবা লৌউ শিংউগী লমদদি লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই, বেক্টরিয়া, নেমাটোড অমসুং লৈবাক্তা লৈবা তীলশিংবু হাৎপা ঙম্বা কোকফাই, বেক্টরিয়ানচিংবা শীজিন্নবসি য়াম্না পাম্না চত্থনরি। মতমসিগা খ্বাইদগী হেন্না চান্নবা থৌরম অমা ওইরি।

**হেন্না পাম্নরকপগী মরম ঃ** লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা হীদাক লাংথক শীজিন্নবা অমসুং অতোপ্পা উপায়শিং শীজিন্নবনা হাত্তোক্লিংলিবা মহীক মতাইদুখক খল্লগা হাত্তোকপা ঙমদে। মফমদুমক্তদা লৈরিবা, লৌউ-শিংউবদা কান্নরবা হিঙকুপশিংবুসু হাত্তোকখিগনি। মাঙজবা কয়া লৈ। অদুমকপু কোকফাই অমসুং অতৈ অতোপ্পা হিঙকুপশিং হাৎপা ঙম্বা কোকফাইশিং নেমাটোডশিং, বেক্টরিয়াশিং অমসুং এক্তিনোমাইসিটিসশিং (বাইওলোজিকেল কন্ট্রোল এজেন্টস) শীজিন্নরগদি মথৌ তাবগী মতুং ইন্না শীজিন্নবনিনা মাঙজবা লৈতে। তুং কোইনা কান্নবা ফংই। চাং নেম্বগীসু নেম্না ৱাংবগীসু ৱাংনা শীজিন্নরিবা পূম্নমক্কী কান্নবা ফংই।

**খুদোংচাদবা ঃ** খুদক্কী ওইনা কান্নবা পীবা ঙমদে। মফম অমসুং অইং-অশা খেন্নবগী মতুং ইন্না থা অমা অনীদি চঙই। অপাম্বা কলচর মখল খুদিংমক কৈথেলদা লোইনা ফংবা নত্তে। বাইও কন্ট্রোল এজেন্ট হায়না খঙনরিবা, পান্বীদা অকায়বা পীবা হিঙকুপশিং হাৎপা ঙম্বা কান্নরবা হিঙকুপশিংসি মালেমগী ওইনা লৌউ-শিংউদা শীজিন্নরিবা হীদাকশিংসি চাদা অমগী চাংদগী পংহেন হেন্দে হায়না পানরি। মণিপুরদা ফংলিবা মখলশিংসু পংয়াম য়ামদে। অপাম্বা কোকফাই মখল লৈনিংবা মতমদা লৈবা ফংদে। মসিগী মরমদি লৌমীশিংনা লৈনিংবগী চাং নেম্বা অমসুং শেন্নবা হীদাক্তু চহী অমদগী পংহেন হেন্না থম্বা য়াদবসিনি।

**থৌরমসিনা পীরিবা কান্নবশিং ঃ** লৈবাক্তা লৈজরম্বা মখল কয়াগী কোকফাইশিং, বেক্টরিয়া, এক্তিনোমাইসিটিস অমসুং নেমাটোডনচিংবা কয়াবু অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দনা অমসুং কান্নরবা হিঙকুপ কয়াশিংবু শোকহন্দনা হাত্তোকপা ঙম্বসিবু খ্বাইদগী ফবা কাঙলোন অমা ওইনা লৌনরি।

এঞ্চাং নাপী কয়াদা তারিবা পান্বী মখোঙ চেংশিনবী অমসুং খুইথবী লায়না থোকহল্লিবা Pythium, fusarium কয়াবু Trichoderma sp. কয়ানা হাত্তোকহনবা ঙম্মী। মসিগা মান্নবা মওংদা Gliocladium virens, Talaromyces flavus অমসুং Pythium oligandrum নসু লৌমীশিংদা কান্নবা পীরি।

Pseudomonas fluorescens অমসুং Pseudomonas putida নচিংবা বেক্টরিয়াশিংনা লৈবাক্তগী পোক্লকপা লায়নাশিংবু হন্থহনবা ঙম্বতা নত্তনা ফৌগী ব্লাষ্ট, সেথরোট, সিডলিং ব্লাইট, ব্রাউন স্পোটনচিংবা ফাওবা ফহল্লি। পান্বীগী মখোঙ চেংশিনবী, লফুগী খুইথবী লায়না ফহল্লি। মসিদসু নত্তনা গ্রোথ ফেক্টর IAA পুথোক্তুনা পান্বীগী শাহৌ ফহল্লি। হায়রিবা কলচরসি গ্রাম ৫-১০ ফাওবা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোক চাইথোকপা য়াই।

Paecilomyces lilanicus না নেমাটোডনা থোকহনবা পান্বীশিংগী লায়না কয়াবু ফহল্লি। খুদম ওইনা খামেনগী রূট নোট নেমাটোড হায়বা খামেন মরাশিং কিশি কিবা মানবা লায়নাগীদমক হীদাকশিং শীজিন্নরি।

Beauveria bassiana হায়না খঙনবা কোকফাইসিনা মখল কয়াগী তীলশিংদা White muscardine হায়বা লায়না থোকহন্দুনা তীলশিং হাত্তোকই। মীওইবদদি অকায়বা পীদে। কৈথেলদা Larvocel হায়না ফংই। পান্বীগী মরা চাবী, মউ হুৎপী অমসুং অতৈ তীল কয়াবু হাত্তোকই। ঈশিং লিটর খুদিংদা গ্রাম ৫-১০ ফাওবা য়ানশিল্লগা কাপথোক চায়থোকপা য়াই।

Varticilium lecanii তীলশিং হাৎপা ঙম্বা কোকফাইনি। মকু থোৎপা তীলশিং খুদম ওইনা ৱাহিক, থ্রীপস, মাইট, মিলিবগ, হ্বাইট ফ্লাই, স্কেল ইন্সেকনচিংবা পূম্নমক হাৎপা ঙম্বা কোকফাইনি। কৈথেলদা Vertical হায়নসু ফংই। ঈশিং লিটর খুদিংদা Vertical গ্রাম ২.৫-৫ ফাওবা য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি। অহেনবা চায়থোকখিবা শরুকশিংনা লৈবাক লৈশাদা লৈজদুনা মখা তানা তীলশিং হাৎপা ঙম্মী। মসিগী মথক্তা লৈবাক্তা লৈরিবা লৈশৌ কয়াবু হাত্তোকপা ঙম্বা হীদাক Pacer (Metarhizium anisopliae) হায়না খঙনবা হীদাকসু ফংলে। ঈশিং লিটর খুদিংদা Pacer গ্রাম ৫-১০ ফাওবা য়ানশিনবীরগা লৈশৌ মশা চোৎনা কাপথোক্লবদি লৈশৌশিংবু ইরায় লায়না হাৎলি। হীদাক কাপ্তুনা য়ৌহনবা ঙমদ্রবা লৈনুংদা লৈরিবা লৈশৌগী রানি ফাওবা লৈশৌ তীলশিংনা শন্দোকখিদুনা মপুং ফানা হাৎপা ঙম্মী। মীওইবগী হকচাংদদি শোক্তে।

মসিদা নত্তনা Mycorrhizaa হায়না খঙনবা পান্বীদা হার পীবা ঙম্বা কোকফাইসিগী মতেংনা কোকফাই লায়না কয়াবুসু লাকশিনবা ঙম্লে। Mycorrhiza সিমক লৌমীশিংনা কৈথেলদগী লৈবসু ফংলে। থৌরমশিং অসি মীপুম তিংনা পাম্নরক্লিবা ইন্টিগ্রেটেড পেষ্ট মেনেজমেন্ট অমসুং ওর্গানিক ফার্মিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরম অমা ওইরে। ●

# মণিপুরগী লৌফমশিং কোন্নবা অফবা ফৌদি পুথোক্লবা থৌরাং

এস সুমঙ্গল

মীয়াম্না ইখঙ খঙনবরা ৱাফম অমদি, অফবা মরূনা থাবনা ফত্তবা মরূনা থাবদগী চাথোক্তা চাদা ১৫-২০ হেল্লি হায়বা ৱাফম অসিনি। হায়বদি অফবা ফৌদিনা থারবদি লৌ পরি অমদা ফত্তবা ফৌদিনা থাবদা ফৌবোৎ ১০০ থোকপদু লাক্ষ অনীদগী অমরোমদনা অমুক ফৌগী অপুনবা লৌফমশিংগী শরুক মরি থোকপগী অমখক্তং (২৫%) চহী খুদিংগী অফবা মরূ লেপ্তুনা পুথোকপিরবদি লৌফম খুদিংমক অফবা মরূনা থারে হায়না লৌবা য়ারে। মরমদি অফবা মরূনা অমুক থারবা মতুংদা মদুদগী খরা চেকশিন্না হন্না হন্না চহী ৪ শুবা ফাওবা ইশাগী লৌফমদগী লোকপা ফৌদি অদু অশেংবা ধরাগী অফবা মরূনি/ফৌদিনি হায়না অদুমক লৌবা য়াই। হায়বদি অহানবা থাবদা লোকপা, অনীশুবা চহীদা লোকপা অমদি অহুম্লকশুবা চহীদা লোকপা অদুনা মরিশুবা চহীদা থাবা ফাওবদি অফবা মরূনি হায়না অদুমক লৌবা য়াই। তৌবতবু ফৌদি অদু ধারা শেংজরবসু খরা চেকশিন্না হাৎনদুনা চঙ চঙ লাওবা, নাপি মরূ অমদি অতৈ অমোৎ-অকায় য়াওদবা, লায়না তীন্না চেন্দবা অমদি ফৌহাম য়াওদবা মরূ ওইনবা খরা চেকশিনবদি চঙই। চহী মরিগী মতুংদদি অনৌবা অশেংবা মরূনা অমুক শিন্দোকপদি তঙাই ফদে। অসুম্না চহী খুদিংগী মণিপুরগী লৌফম ২৫% খক্তং কোন্নবা অফবা মরূ পুথোকপা ঙল্লবদি ১০০% লৌফমদা অফবা মরূ ফংহল্লে হায়না লৌবা য়ারে।

**চহী অমগী কোন্নবা অফবা মরূ পুথোক্লবা করম্না থৌরাং তৌগনি ?**

মণিপুরগী ফৌ থানরিবা লৌফম অসি চহী খুদিংগী খরা হেন্দাক হেঞ্জিন নাইজরসু পরি লাক্ষ অনীনি হায়না লৌরসি। চাওরাক্লা হায়রিবা পরি লাক্ষ অনীসি সেটলাইট দেতা নৎত্রবসু চুমগনি খল্লি। মসিগী শরুক মরি থোকপগী অমা হায়বসি লৌ পরি লিশিং য়াঙ্খৈনি। চাওরাক্লা পরিদা ফৌদি কিলো ৫০ চঙবা মতমদা পুন্না ফৌদি (৫০০০০ X ৫০) = কিলো ২৫০০০০০ হায়বদি টন ২৫০০ দি পুথোকপা তাই। চাউরাক্লা লৌ পরি অমনা ফৌবোৎ ১৪০ (শঙমদা ফৌবোৎ ৩৫ পুথোকপগী চাংদা) হায়বদি কিলো (১৪০ X ৬০ = ৮৪০০, ফৌবোৎ ১ = কিলো ৬০) পুথোকপা ঙম্বগী চাংদা কিলো ২৫০০০০০ পুথোক্লবগীমক পুন্না লৌ পরি ২৯৭.৬২ দা ফৌদি পুথোকহন্নবা পান্দম থম্বা তাই। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা লৌ পরি অমদগী ফৌদি ওইনা কিলো ২৫০০ পুথোকপা ঙম্বগী চাংদা পানৈ। মসিদি শঙমদা ফৌবোৎ ১০গী চাং খক্তনি। হায়রিবা পান্দমশিং অসি ফংনবা কনানা করম্বা মখলগী মরূ কয়া য়াম্না পুথোকপা মথৌ তাবগে হায়বদুসু অমুক য়েংবা তঙাই ফদে। হায়বদি ব্রীদরশিংগী মখুত্তা ন্যুক্লিয়স সীদ কয়া য়াম্না লৈফম থোকই, মদুনা ব্রীদর সীদ কয়া য়াম্না পুথোকপা তাই, ব্রীদর সীদ কয়ানা ফাউন্দেসন সীদ কয়া য়াম্না পুথোকপা ঙমগনি, অরোয়বদা সর্টিফাইদ সীদ কিলো ২৫০০০০০ পুথোক্লবা ফাউন্দেসন সীদ কয়া য়াম্না লৈফম থোকই হায়বনচিংবা মমুৎ তানা খঙদোক্তুনা মাগী মাগী, মথক্তা পঞ্জখিবা মরূ মখলশিং অসি পুথোক্লবা লৈরিবা লোইশঙশিংগা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবা অমা তঙাই ফদনা চংই।

ৱাফমশিং অসি থমজবগী মরমদি অফবা মরূ পুথোক্লবগীদমক সীদ জেনরেসন সিষ্টেম অমা লৈজৈ। সিষ্টেম অসিদা লৈরিবা মরূগী মখলশিং অদুদি - ১) নুক্লিয়স সীদতগী, ২) ব্রীদর সীদ; ব্রীদর সীদতগী, ৩) ফাউন্দেসন সীদ; ফাউন্দেসন সীদতগী, ৪) সরতিফাইদ সীদ মথং মথং পুথোরক্কদৌরিবনি।

অহানবা অমদি অনীশুবা মখল নৎত্রগা থাক অসি সাইন্টিষ্টশিংনা নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসনশিং (কোলেজশিং, য়ুনিভর্সিটিশিং, রিছার্স সেন্টরশিংদা লৈরিবা সাইন্টিষ্টশিংনা হকথেংননা য়েংশিন্দুনা চান্মদা চান্মা ধারা শেংবা মখলগী মরূনি। ফাউন্দেসন সীদ হায়রিবা মখলসিনা সাইন্টিষ্টশিংনা মখোয়গী সেন্টরশিংদা লম মতিক চানা লৈরবদি অদুমক পুথোকপিবা য়াই। অতোপ্পা কনাগুম্বা ফার্মর গ্রুপ, এন জি ওশিং নৎত্রগা ফার্মর ক্লবশিংনা পুথোকপিবা য়াই। তৌবতসু ফাউন্দেসন সীদ অসিবু সর্টিফাই তৌবদি তঙাই ফদে। সর্টিফাইদ সীদ হায়রিবা মখল অসিনি লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা থাননবা করম্না কোন্নবা পুথোক্কনি হায়না থমজরিবা মরূ মখলসি।

মথক্তা থমজখিবা, মরূ মখলশিং অসি লৌফম কয়া য়াম্না শীজিন্নদুনা থল্লিবা পান্দম হায়বসি মরূ কিলো ২৫০০০০০ লৌমীশিংদা ফংহনগদগে হায়বদুনি মরু ওইরিবসি। মসিগীদমক নীংথিনা শেন্নবা থৌরাং অমা চঙই। মসিগীদমক সীদ রিপ্লেসমেন্ট রেট, সীদ মল্টিপ্লিকেসন রেশিও, লেন্দ রিক্যার্মেন্ট হায়বনচিংবা খরা লৈরিবসি খঙবা মথৌ তারকই।

হৌজিক থৌরাং খরা য়েংসি।

প্লান নং ১ : লৌ পরি ৫০০০০ দা অফবা মরূ ফংহন্নবা পান্দমদা শেম্বা থৌরাং

| ব্রীদর সীদ | | | ফাউন্দেন সীদ | | | সর্তিফাইদ সীদ | | | পান্দম | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | সীদ(কিলো) |
| ০.০১০৫ | ০.৫৩ | ৮৮.৫৭৮ | ১.৭৭২৮ | ৮৮.৫৭৮ | ১৪৮৮১ | ২৯৭.৬২ | ১৪৮৮১ | ২৫০০০০০ | ৫০০০০ | ২৫০০০০০ |

মথক্কী টেবল অসিদা থমজরিবসিগী ৱাহন্থোক্তি ঐখোয়না অপুনবা লৌফমগী ২৫% লৌ পরি ৫০০০০দা অফবা মরূ (সর্টিফাইদ সীদ) ফংহন্নবা হোৎনবা মতমদ অফবা মরূ কিলো ২৫০০০০০ পুথোকপা তাই। মসি পুথোক্লবগীদমক ফাউন্দেসন সীদ কিলো ১৪৮৮১ চঙগনি লোয়ননা মসি পুথোক্লবগীদমক লৌ পরি ১.৭৭২৮ খক তঙাই ফদনা চঙই। হায়রিবা ফাউন্দেসন সীদ কিলো ১৪৮৮০ পুথোক্লবা ব্রীদর সীদ কিলো ৮৮.৫৭৮ খক চঙগনি লোয়ননা মসি পুথোক্লবা লৌ পরি ০.০১০৫ খক মথৌ তাই। কয়াদা লায়না উরিবা। হায়রিবা অসি পরিদা মরূ কিলো ৫০ লৌহোন হুল্লগা লিংবগী চাংদা অদুগা লৌ পরি অমদা ফৌবোৎ ১৪০ পুথোকপা মতমদনি। ওইথোক্কদ্রা ? ক্রোপ কম্পিটিসন্দ থোকপা ফৌথোক্কী চাং য়েংলুরগদি ইরায় লায়না ঙম্ফম থোকই।

প্লান নং ২ : অতোপ্পা থৌরাং অমনা অমুক য়েংসি। ইন্দিয়াগী চাং - অফবা মরূ ওইনা পরিদা কিলো ২৫০০ পুথোকপা ঙম্বগী চাংদা অদুগা পরি অমদা চঙগদবা মরূগী চাংনা কিলো ৫০ চঙবগী ওইনা য়েংসি। মসি ইন্দিয়াগী ওইনা চৎনবনি।

| ব্রীদর সীদ | | | ফাউন্দেন সীদ | | | সর্তিফাইদ সীদ | | | পান্দম | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | সীদ(কিলো) |
| ০.৪ | ২০ | ১০০০ | ২০ | ১০০০ | ৫০০০০ | ১০০০ | ৫০০০০ | ২৫০০০০০ | ৫০০০০ | ২৫০০০০০ |

মথক্কী প্লান অসিদদি লৌ পরি অমদা ফৌবোৎ চাওরাক্লা ৪১-৪২ হায়বদি কিলো ২৫০০ খক্তং পুথোকপা ঙম্বা মতম, লোয়ননা পরি লিংনবা ফৌদি কিলো ৫০ অদুমক চঙবা মতমদনি।

প্লান নং ৩: অতোপ্পা প্লান অমদনা এস আর আই মেথোদতা সর্টিফাইদ সীদ, ফাউন্দেসন সীদ, ব্রীদর সীদ, পুথোক্লবা হোৎনরসি মসিগীদমক মরূগী চাংনা পরিদা কিলো ৫ গী চাংদা অদুগা পরিগী পোথোক্লা কিলো ২৫০০ অদুমক ওইহল্লসি। মতমদুদা মখাগী অসুম্না ওইবা য়াই।

| ব্রীদর সীদ | | | ফাউন্দেন সীদ | | | সর্তিফাইদ সীদ | | | পান্দম | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | চঙগদবা সীদ (কিলো) | পুথোক্কদবা সীদ (কিলো) | এরিয়া (হে) | সীদ(কিলো) |
| ০.০০৪ | ০.২ | ১০ | ২ | ১০ | ৫০০০ | ১০০০ | ৫০০০ | ২৫০০০০০ | ৫০০০০ | ২৫০০০০০ |

মথক্কী থৌরাং অসি ওইথোকহনবা শোয়দনা য়াগনি। হায়রিবা প্লান অসিদদি ন্যুক্লিয়স সীদ শুপ্নগী গ্রাম ২০০ খক্তা স্ক্যোয়ার মিটর ৪০০ খক পাক চাওবা লম শীজিন্নদুনা ব্রীদর সীদ অসি কিলো ১০ খকক্লা চহী খুদিংগী হৌদোক্লদুনা পাল্লিবা পান্দম অদু ইরায় লায়না য়ৌবা ঙমগনি খল্লি।

মথক্তা থমজরিবা প্লানশিং অসিগী মনুংদা অহুম্লকশুবা প্লান অসি য়েংলুরগদি মণিপুরগী লৌ পরি লিশিং য়াঙ্খৈগী অফবা মরূ পুথোকপা হায়বসি থোইদোক্লা লুবা থবক্তি ওইদে। লৌ পরি ৫০০০০ অফবা মরূ পুথোকপা হায়বসি সীদ রিপ্লেসমেন্ট অসি ২৫% ওইদৌরিবনি। মসি হায়বদি ফৌগীদমক্তি মরূগী রিপ্লেসমেন্ট অসি ১০০% ওইরে হায়বগা চপা মান্নৈ হায়বনি। ঐখোয় মরী লৈনবা পুন্নমক্কী থৌদাংখক্তা মঙায়রে ৱাৎলিবসি। অসুম্না অকক্লা থৌরং অমা য়াখোক্তুনা, পান্দম অমা থমদুনা চহী খুদিংগী মাগী মাগী লেভেলদা/থাক্তা হায়বদি - সাইন্টিষ্টশিং, একষ্টেনসনগী মীওইশিং, মরূ পুথোক্কদৌরিবা লৌমী ইচিন ইনাওশিং, সীদ সর্টিফাইদ তৌবিগদৌরিবা এজেন্সিগী মীওইশিং, অতৈ অতৈ খুদিংমক্লা পুথোক্কদবা মরূ মখলশিংগী চাংগী মতুং ইন্না পুকচেল শেংনা থৌদাং লৌনদুনা হোৎনরবদি য়াম্না লায়না মহৈ-মরোং খুদিংমক্কী অফবা মরূ কোন্নবা পুথোক্তুনা মরূ লৈবদা মণিপুরগী মপান্দা শেল কয়া অমা চৎলিবসিদগী কন্দুনা খুদিংমক য়াইফমিন্নগনি। করিগুম্বদা মরূদা অরানবা/অরোনবা লল্লোনবা লৈরম্লবা ফাওবদসু লৌমীশিংসু য়াইফগনি, মীয়ামগী চীঞ্চাকসু কোন্নদবা লৈররোই, মীপুম খুদিংমক নুংঙাইমিন্নরনি। তৌবতবু মরূগী ইন্দষ্ট্রি অরায়বা অমদি নত্তে লৈবিদ্রগদি মাঙগদৌরিবনি। মাঙজৌননা মরূ পুথোক্লিবদুনে লৈগদৌরিবদুনে য়ানদুনা অমদি য়ানবা অদুবু পুকচেল শেংনা ঙাকনা চৎনবা অমদি তঙাই ফদে। ●